# ব্রিন্টর ওলেম্পিক্তা তরুক্লক শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শিবা কেশোভান #১

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**তোগো অফ্রিকাগী** নোংচুপ থংবদা লৈবা ইক্বেদরগা নক্লনবা লৈবাক অমা ওইবনা মফম অসিদা উন তাদে। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী শান্নরোয় পিতা তাউফাটোফুব্রানা খা কোরিয়াদা পাঙথোক্লিবা ২৩শুবা ব্রিন্টর ওলেম্পিক (উন মথক্তা পাঙথোকপা ওলেম্পিক) গেমসকী ক্রোস কন্ত্রি স্কীইংদা শরুক য়াবা ফংননবা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইয়িং মার্ক অদু য়ৌনবা হোৎনবদা মহাক্কী মথৌনা মায়থীরবসু নীংবা হনখিদবা খোঙজং অদুবু মালেম পূম্বনা থাগৎনরি। মহাক্না ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়াবা ফংনবা ক্বালিফায়িং মার্ক অদু য়ৌনবা হোৎনবদা হন্না হন্না মায়থীখি। মরম অদুনা মহাক্না উন মরাং কায়না তাবা য়ুরোপ অমসুং অৱাং অমেরিকাগী মফমশিংদা পাঙথোকপা ব্রিন্টর স্পোর্টসশিংদা শরুক য়াদুনা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অদুদা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফায়িং মার্ক অদু য়ৌনবা হোৎনখি। মসিগীদমক মহাক্না কলম্বিয়া, টর্কি, পোলেন্দ, অরমেনিয়া অমদি ক্রোসিয়ানচিংবা মফমদা শেল তিংনা চৎতুনা ক্রোস কন্ত্রি স্কিইংদা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইয়িং য়ৌনবা হোৎনবদা মায়থীবা ফংখি। অকোনবদা তোগোদগী কিলোমিটর ৯০০০ লাপ্পা মফমদা লৈবা আইসলেন্দ চত্তুনা শরুক য়ারুবদা মহাক্না ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা ক্বালিফাইয়িং মার্ক অদু য়ৌবা ঙমখি।

ফেব্রুৱারী ৭তা খা কোরিয়াগী পিয়োংচাংদা ২৩শুবা ব্রিন্টর ওলেম্পিক হৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবা অদুদা লৈবাক ৯২না মার্চ পাষ্টতা শরুক য়াবদা পিতা তাউফাটোফুব্রানা তোগোগী অমসুং কানাদাদা ত্রেনিং তৌরুবা নুপীমচা অমগা গেমস অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি। পিতা তাউফাটোফুব্রা কুমজা ২০১৬তা রায়োদা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলেম্পিক গেমসতসু শরুক য়াদুনা হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তা মফি য়াওদনা তোগোগী ফিরাল পুদুনা গেমস হৌদোকপা নুমিৎতা লৈবাক অদুগী ফিরাল পায়দুনা শরুক য়াখি। গেমস অদুদা মহাক্না জুদোদা শরুক য়াখিবদা মায় পাকখিদে।




ফিরাল পায়দুনা মথক থংবা হকচাংগী শরুক্তা মফি অমত্তা য়াওদনা (ফুরিৎ য়াওদনা) খ্বাংগী মখা থংবদা নাৎকী ওইবা ফিজোল অমা শেৎতুনা মরৈবাক মচা পেট্রিজিন মেথিদ আমিভি কৌবী ফ্রান্স




লৈবাক ৯২দগী শান্নরোয় ৩০০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ব্রিন্টর ওলেম্পিক অসিদা রসিয়া শরুক য়াহন্দে। মরমদি লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংদা আইন্না থিংবা শান্নরোয়না চাবা য়াদবা পার্ফোমেন্স হেনগৎনবা হীদাক পীজৈ হায়বা প্রমানগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা খণ্ডদুনা মখোয়গী মথক্তা অথিংবা থমখ্রে। কুমজা ২০১৪দা লৈবাক অসিগী সোচি সহরদা পাঙথোকখিবা ২২শুবা ব্রিন্টর ওলেম্পিক্তা লৈবাক অদুগী অঙম অথৌ য়াওনা শান্নরোয়শিং অদু দোপিং তৌহনখি (হায়বদি আইন্না থিংবা পার্ফোমেন্স হেনগৎনবা হীদাক চাহল্লি-চাহন্দে খঙনবা) মরম অসিনা রসিয়াগী ওলেম্পিক কম্মিটি অসিগী মথক্তা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা অথিংবা থল্লি। অদুবু তশেংনা হীদাক চাদে খঙবা, পুকচেল শেংবা, দোপিং তৌবগী ফাখিবা কাঙলূপ অদুদা য়াওখিদবা রসিয়াগী শান্নরোয় ১৬৯ খক্তি গেমস অসিদা 'ওলেম্পিক এথলেট ফ্রোম রসিয়া' হায়না শরুক য়াহল্লি। মখোয়না রসিয়াগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা য়াদে, রসিয়াগী ফিরাল শীজিন্নবা য়াদে, মখোয়না ফংবা মেদলশিং অদু ওলেম্পিক্কী রেকোর্দ বুক্তা রসিয়াগী মমিংদা থল্লোই, মসি তুংগী ওইনা ফাওবা ওলেম্পিক্কী পুৱারীদা রেকোর্দ তৌশিনগনি। লৈবাক অদুগী লৈঙাক্কী মীহুৎ, ওফিসিয়েলশিং ওলেম্পিক য়েংবা য়াদে। রসিয়ান্না সনাগী মেদল ফংলবদি মেদল য়েন্থোকপগী থৌরমদা রসিয়াগী নেসনল এন্থেম শকপা য়ারোই।

কুমজা ১৯৮৮দা খা কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা সম্মর ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা অৱাং কোরিয়া শরুক য়াখিদে। লৈবাক অনী অসিগী মুক্নবগী চাং ৱাংলম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক খা কোরিয়াদা পাঙথোক্লিবা ব্রিন্টর ওলেম্পিক অসিদদি অৱাং থংবা কম্যুনিষ্টকী লৈঙাক মখাদা লৈরিবা কোরিয়া অমদি খা কোরিয়া অনী অসি পূনশিন্নরগা গেমস অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ফিরাল অমত্তগী মখাদা শরুক য়ামিন্নরি। লৈবাক অনী অসিগী শান্নরোয় অনীনা গেমস হৌবা নুমিৎতা পূন্না মৈরা পায়দুনা চৎহনবা, অৱাং কোরিয়াগী দিক্টেটর কিম জোঙ উমনা মহাক্কী মচননুপী কিম য়ো জোঙনা লুচিংদুনা অঙম অথৌশিং গেমস অদু য়েংনবা থারকখিবা অমদি কিম য়োজোঙনা খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জিইনদা মহাক্কী মবুংনা খা কোরিয়াগী লুচিংবা অসিগা থুনমক উন্ননীংই হায়না পাউদমখি অমদি কিম জোঙ উমনা পীরকপা চিঠি অদু খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্টদা শিন্নরমখি।

য়ুরোপ্তা লৈবা লৈবাকশিং অসি ব্রিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল য়াম্না ফংবা ঙম্মী। মসিগা লোয়ননা কানাদা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাসু য়ুরোপকী লৈবাকশিং অসিগা লম্বা তৌনবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং এসিয়াগী ওইনদি জাপান, খা কোরিয়া, চাইনা অমসুং অৱাং কোরিয়াখক্তমক সনাগী মেদল ফংবা ঙম্মী। য়ুরোপ্তা লৈবা চীং খরা ৱাংমদা উন নিংথিনা তাই। অৱাং থংবা শরুক্তা য়াম্না অনেম্বা মফম ফাওবা স্নো লাইন লৈদুনা (ওইদুনা) মতম চুপ্পদা উন ফংই। মরম অদুনা উন মথক্তা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অসি মমাঙঙৈদগী পাঙথোক্তুনা লাকই। মখোয়না মখল মখা অয়াম্বা মশান্নশিং শান্নে। অদুবু টিম গেমসকী মনুংদা আইস হোকিনা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা মশান্না ওইরি। মরম অসিনা মহাদেশ অসিদা লৈবা অপীকপা লৈবাকশিংনা ব্রিন্টর ওলেম্পিক্কী মেদল য়াম্না ফংই। মখোয়শিং অদুদি নোরৱে, জর্ম্মনি, ইটালি, ফ্রান্স, ফিনলেন্দ, ওষ্ট্রিয়া, নেদরলেন্দ অমসুং রসিয়ানি।

ইন্দিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা হিমায়ল চীংশাংগী মশা মরেংশিংনা য়ৌবা হিমাচল প্রদেশ, কাশ্মীর, উত্তর প্রদেশ, সিক্কিম্নচিংবা মফমদা লৈবা চীং অমদি তম্পাক্তা উন মরাং কায়না নিংথম থাদা তারবসু অমদি অৱাংবা চীংশাংদা মতম চুপ্পদা উন্না কুপ্তুনা লৈরবসু নিংথমথাগী উন মথক্তা শান্নবগী হীরমশিংদদি লৈবাক অসি খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদে। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা চোঙথোরকপা ঙম্বা নুপা অমদি নুপী য়াম্না তাঙই। হিমাচল প্রদেশ মচা শিবা কেশভান খা কোরিয়াদা পাঙথোক্লিবা গেমস অসিদা লুজগী থৌরমদা শরুক য়ারি। ইটালিগী ফ্লোরেন্স য়ুনিভর্সিটিদগী ইন্টরনেসনল রিলেসন্দা মাষ্টর দিগ্রি ফংলবা এসিয়ান চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল মরিরক ফংলবা শান্নরোয় অসি হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী তরুক্লক শুবা ওলেম্পিক ওইরি। চহী ১৬ শুরকপা মতমদা মহাক্না কুমজা ১৯৯৮-দা জপানগী নাগানোদা পাঙথোকখিবা ব্রিন্টর ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখিবদগী ওলেম্পিক তরুক থংনা থংননা কুমজা ২০০২ (সোল্ট লেক), কুমজা ২০০৬ (টুরিন), কুমজা ২০১০ (ভেনকোভর), কুমজা ২০১৪ (সোচি) অমসুং কুমজা ২০১৮ (পেয়ওঙচাঙ) দা শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী ওলেম্পিক খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শরুক য়াবা শান্নরোয় অমা ওইরি।

# চহীনা হকচাং অমদি ব্রাখলগী ফীভম লেপহনগদব্রা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**ইশাগী** চহীনা হকচাংগী অমদি ৱাখলগী ফীভম লেপহনগদবা নত্তে। মদুগী মহুত্তা হকচাংগী ফীভমনা চহী অমদি ৱাখল খনবা ঙম্বগী ফীভম লেপহনবনা য়াম্না ফৱা অমদি কান্নবা হেল্লি। চহী য়ামশিল্লক্লে, অহল ওইশিল্লক্লে হায়বগী ৱাখলনা হকচাং শাজেল তৌবা, শান্ন-খোৎনবা লেপ্পা অমদি অতোপ্পা হকচাং খিং-খিং লাওনা নহা অমগুম তৌবা য়াবা থবক কয়া লেপথোকপা, তোকথোকপা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী হৈনবীনি, হৌনশানি। তশেংনা হায়রবদি চহীনা লেপহনবা নত্তে, ৱাখলনা অমদি হকচাংনা লেপহনবনি।

চহীনা ফনা য়ামজরবসু হকচাংনা নহা অমগী ফীভমদা কন্না, হকচাং ফনা, মশা খিং-খিং লাওনা, ৱাখল শুনা লৈরবদি চহী য়াল্লে হায়দুনা মহাক্কী মফমদা অৱাৎপা করি লৈরিবগে, করিসু লৈতে। অদুগা অমরোমদনা, নহা ওইরি হায়দুনা হকচাং ফৎত্রবা, মপাঙ্গল য়াওদ্রবা অদুগা ৱাখলসু শেংনা, ফজনা খনবা ঙমদ্রবদি করিবু কান্নরিবগে নহা অমা ওই হায়বগী । মসিনা তাক্লিবদি চহী হায়বসিদি মশীং অমা লৈবগী ৱাদনি। ইংলিসতনা “Age is just the number” হায়না হায়নৈ। চহী য়াল্লে হায়দুনা ঐখোয় লোইনমক হেক্তা শোন্থরবা, থবক শুবা ঙমদ্রবা, ৱাখল থোক্ত্রবা মীওই অমনি হায়না খন্দোক্তুনা তৌবা য়াবা থবক কয়া অমা তৌদবদি ঐখোয়গী অরানবা ৱাখলনি হায়না থমজগে।

চহী য়ামগেরা য়াল্লোইরা, অহল ওইগেরা ওইরোইরা, খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি ঐখোয়গী হকচাংনা কয়া য়াম্না শেংনা, ফনা, মপাঙ্গল কন্না লৈরবগে হায়বসিনি। হকচাংনা শেংনা, ফনা, মপাঙ্গল লৈনা লৈরবদি ৱাখলসু অদুম শেংনা খনগনি। মীওই অমনা কয়া য়াম্না হকচাং ফনা, শেংনা, মপাঙ্গল লৈনা লৈবা ঙম্বগে হায়বসি মীওই মীওইদুগী চাব-থকপা, শাজেন তৌবা তৌদবা, মতম চানা তূম্বা-তূমদবা অমদি অফবা হৈনবী থম্বা-থমদবদা মখা য়াম্না পোল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা, কনাগুম্বা চাং নাইনা শাজেল তৌবা, অফবা চিঞ্জাক চাং নাইনা চাব-থকপা, চাং নাইনা ঙন্না তূম্বা, ঙন্না হৌবা অমদি অতৈ অফবা হৈনবী ইন্দুনা চৎপা মীওই অমনা মসি ইন্দবা মীওই অমদগীদি য়াম্না মশা মউ ফনা, ৱাখল শেংনা লৈবা হেনগনি। অসিগুম্বা মীওই অসিনা চহীদা ফনা ৱাংনা কারজবসু মহাক্তি মশা মউ ফৱা নহা অমগী মফমদা লৈজরিবা তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল অদুমক লৈবা য়াই।

মীওই অয়াম্বনা চিঞ্জাক্তা তুম্বদা, পোথাবদদি অমহা ওইনা চাংচৎতা ফনা অদুম লৈনৈ। খ্বাইদগী ময়াম্না তৌনদবা হায়রগদি শাজেল তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবনি। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয় অয়াম্বনা চহীনদি অঙাং ওইনা লৈহৌরগা মশানা অহল ওইশিনবনি। মদুগী খুদমদি, পোক য়াম্না হৌজিল্লকপা, পুক কংথোরকপা, মায় অমদি হকচাংগী উনশা য়াম্না খুইজিল্লকপা, শম কেনশিল্লকপা, ৱাখল শেংনা, ময়েক শেংনা খনবা ঙল্লক্তবা, য়াম্না কাউগনবা অসিনচিংবনি। খুদিংমক অসিগী চাংসু মীওই মীওই অদুগী হকচাংগী ফীভমগী মখা য়াম্না পোল্লি। হায়রিবা পামদবা ফীভমশিং অসিবু থেংনহনগে নৎত্রগা ঙমহনগে হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সি মরেলদা মখা য়াম্না পোল্লি।

ইরমদম কংলৈপাক্তদা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদসু মসিগী খুদমসি অদুম উবা ফংগনি অদুবু শোন্থবা, ৱাখল শেংদবগী চাংদি মফম মফম, য়ূমলৈ কৈরৈ অমদি মী মী অদুগী মখা পোল্লি। অমবু ওইগেরা অমবু ওইগেরা, হকচাং শাজেল চাং নাইনা শান্নবা মীওইশিংদি নহা য়াম্না কুইনা ওইনা লৈবা ঙম্মী। শাজেল চাং নাইনা শান্নবা কাঙবুসিনা চাব-থকপা অমদি তূম্বা, পোথাবনচিংবদসু চাং নাইবা হেল্লি লোয়ননা হরাউ হরাউ লৈবা ঙম্মী।

ইরমদমদদি চহী ৩০ হেনজিল্লক্লবা, য়ূম পাল্লবা, থবক তৌরবা শাজেল তৌবা শান্ন-খোৎনবা হায়বসি য়েমৌনবগুম খল্লি, নৎত্রগা ‘ই ঐহাক্তি অহল ওইরে, মতম লৈতে, হৌজিকপু অহল ওইরকানসিদা, য়ূম পাল্লকানসিদা করিবু কান্নগদৌরিবনো’ হায়বনচিংবা পুথোক্তুনা শাজেল তৌবা, শান্নবা লেপ্পী। মতাংসিদা হায়জনীংবদি, চহী য়ামশিল্লক্লবা, থবক তৌরবা, শেল পায়রক্লবা, ৱাখল হেন্না, শেংনা খনবা মতম ওইরক্লবা মতম অসিদনি ঐখোয়না শাজেল তৌবগী মথৌ হেন্না তাই হায়বসি কাউরোইদবনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি, শেল পায়রকপদগী য়াম্না অহাউবা চিঞ্জাক চাশিনবদগী পুক চাউথোরকপা, থবক চিনবগী চাং হেন্দুনা মথা শাবা, ৱাখল হেন্না খনজিনবদগী কোক চিকপা, মথা শাবা, য়ূম পানবদগী তনশিল্লকপা, চহী য়ামশিল্লকপদগী উনশা খুইজিল্লকপা, শরূ শয়াং শোনজিল্লকপা ময়াম অসিদগী কন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা উপাইদি শাজেল তৌবনি। পোৎলুম ময়াম অসি থাংথগে হায়রবদি শাজেল তৌবগী হৈনবীসি থমগদবনি মরমদি শাজেল তৌবনা পোৎলুম কয়া অসিদগী লাপথোক্না ঐখোয়বু থম্বী পোৎলুমশিং অসিদগী। অদুবু শাজেল তৌবদা মতম লেনবগী ফীভমদা তৌরবদি কান্নবা ইফং ফংলোই। কান্নবা ফংনবগীদমক্তা জিমদা শাজেল তৌবা নৎত্রগা লম্পাক্তা, লমহাংদা থোক্তুনা অশেংবা নুংশিৎ হোন্দুনা শাজেল তৌবদা থৱায় চঙনা, পূক্লিং চঙনা চয়োল অমদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ হুমনি অদুগা য়াল্লবদা নুমিৎ তরুকনি (নুমিৎ তরুকনিদগী হেল্লক্লবসু তৌনীংদবা পোক্লকপা য়াই অদুগা হুমনিদগী তারবদি কান্নবা ইফং ফংলোই) মিনিট ৩০দগী ৬০ ফাওবা তৌবগী মথৌ তাই।



কয়া য়াম্না নহা ওইনা লৈবা, কয়া য়াম্না হকচাং ফনা, পাঙ্গল লৈনা ৱাখল শেংনা খনবা ঙম্না লৈবা ঐখোয় ঐখোয়গী হকচাং শাজেল তৌবা, চাং নাইনা চাব-থকপা অমদি অফবা হৈনবী থম্বদা য়াম্না লৈরে। চহী য়াল্লে হায়দুনা, অহল ওইরে হায়না খন্দুনা তৌবা ঙম্বা থবক কয়া অমা থাদোকপদি ঐহাক অহল ওইজরগে, পোক হৌজরগে, মায় উনশা খুইজরগে, ৱাখল চোইজরগে হায়না খনবগা চপ মান্নে। অসুম্না খন্দুনা অহল হেন্না থুনা ওইশিনগদৌ শরুকপুদি ঐহাক চহী য়ামশিল-য়ামশিল্লক্লগা হেন্নদুম হকচাং ফগৎপা, নহা ওইথোরকপা, ৱাখল তানা, ময়েক শেংনা খনবা ঙল্লক্লি হায়না খনবনা হেন্না কান্নগনি হায়না থমজগে।

পুন্সিদা ঐখোয়গী তৌফম থোকপা নৎত্রগা তৌবা ঙমগদবা থৌদাং কয়াদগী মনিং হনবসি চৎনবী অয়াম্বদি ঐখোয়-ঐখোয়গী ঐদি চহী অদুক শুজিল্লক্লে মসি ঙল্লোই, হা অদু ঙল্লোই, ওইরোই হায়বগী ৱাখল্লোন অসিননি। হকচাংনা ফনা ফনা লৈরবসু ৱাখলনা অহল ওইরে হায়না হেক খল্লবদি অদুম অহল ওইশিল্লকপা শোয়দ্রবনি। মমমাঙদবু চৎলে, মতুংদবু হল্লে, ৱাখলনবু, পূক্লিংনবু খল্লবদি হকচাংদি অদুম মতুং ইল্লকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। অদুননি মীওই অয়াম্বনা ঐখোয়গী চৎনবী, হায়বদি চহী য়াল্লে, অহল ওইরে তৌবা ঙল্লরোই কায়না শুম খনজিনবদগী অয়াম্বনা তোক্লখিবনি শান্নবসু, শাজেল তৌবসু অমদি তৌবা য়াবা থবক কয়াদগী। মশানা অসুক কন কন লাউনা লৈরবসু অসিগুম্বা চৎনবীগী ৱাখল অসিবু ইল্লুরবদি অদুম তোকখিবা তাবনি। অদুবু চৎনবীনি হায়দুনা ঐখোয় খুদিংমক হেক্তা চৎকনি, ইনগনি হায়বগী ৱাফমদি লৈতে হায়জনীংই। মালেমগী মফম কয়াদা মীওই কয়া অমদি পুন্সি শাংনা শাংনা লেন্দুনা চহী ১০০গী মথক্তা হিংলি। অদুগা মীওই খরা অমনা চহীগী মশীংবু অদুক হকচিন্না, থৌশানা খনজিল্লুদনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌদুনা, শাজেল তৌদুনা অফবা চিঞ্জাক চাদুনা, অফবা হৈনবী থমদুনা য়াম্না নহা ওইনা, মশা খিং-খিং লাউনা হিংলি নুংঙাইনা। হায়রিবা মীওইশিং অদুদা ‘ই মহাক চহী ৯০ শুরে, শিদ্রিবা করিগীনো, ই নহাক্তি চহী ৫০ শুরে পোক হৌগদবনি, পুক কংথোক্কদবনি’ হায়রুবা য়ারোইদো।

অদুনা চহীদা অদুক য়াম্না মায় ওনশিন্দুনা থবক ময়াম অমা তৌবা ঙল্লরোই, অহল ওইরে কায়না খন্দুনা ৱাখলগী লায়না পক্কদৌবগী শরুকপুদি চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা, অফবা চিঞ্জাক চাদুনা, অফবা হৈনবী থমদুনা নহা ওইনা লৈদুনা পুন্সিদা থৌদাং কয়া অমা তৌরম্নবা হোৎনবনা হেন্না ফগনি।

শাজেল চাং নাইনা তৌরবসু, চাং নাইনা শান্নরবসু, শান্নরোয় খুদিংমক মতম কুইনা নহা ওইনা হকচাং ফনা লৈগনি হায়বদি মরু ওইনা চাহৈদবা, হকচাংদা শোকপা পোৎলমশিং হায়বদি ষ্টেরোইদস, হোর্মোন, বেন তৌরবা সবষ্টেন্সশিং অমদি ময়াই কাবা দ্রগনচিংবা শীজিন্নদুনা শান্নবা শান্নরোয়শিং। অসিগুম্বা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা শান্নবা শান্নরোয়শিংদি খূৎশেমগী হার (কেমিকেল) শীজিন্নদুনা পুথোকপা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈগা চপ মান্নে। হায়রিবা পোথোকশিংসি মপান্থোংদদি হেক উবদা মীৎ শুম্মৎলি, অদুক্কী মতিক ফজৈ, হাওগদবা মাল্লি, হকচাংগসু ফগদবা মাল্লি চাবদা। অদুবু ময়াম্না খঙবিরিবদু মঙাই। মখোয়সি কুইনসু থম্বা য়াদে, য়াম্না থুনা পথুৎগল্লি অদুগা চাবদসু হকচাংদা য়াম্না শোকহল্লি। অদুগা অমরোমদনা, খূৎশেমগী হার হায়বদি ষন্থিগুম্বা পথু-পুমথরবা পোৎলমশিংনা শেমদুনা শাবা হারশিং শীজিন্নদুনা পুথোকপা উহৈ-ৱাহৈ, মনা মশিং য়েংবদদি কেমিকেল শীজিন্নদুনা পুথোকপগুম চাউদ্রবসু, ফজদ্রবসু কুইনা থম্বা য়াই, হকচাংদসু শোক্তে। মতৌ অসিগুম্না চাহৈদবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা শাগৎপা হকচাংদুদি হেক শীজিন্নবা তোকপদা য়াম্না থুনা পথুখিগনি অদুগা মনুংগী ওর্গানশিংসু য়াম্না শোক্কনি। পথুদনা, চাউনা কুইনা লৈগে হায়না লেপ্তুনা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নরগনা পুন্সি তেনখিগনি।

ঐহাক ইশাগী চহী ৫৪ চঙলক্লি, চহী ৩০ হেনজিল্লক্লে নেচরেল বোদি বিল্ডিং তৌরকপা। অদুবু ইশাদা করিগুম্বা অকিবা অমত্তা লৈত্রি অদুগা পাঙ্গলসু অদুক হন্থবা লৈতনা অদুম শান্নবা ঙল্লি। কুইনা উনখিদ্রবা





ইমান্নবা ময়াম অমসু মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা লম্বীদা চৎনখিবনা উনদবা কুইরে। অদুবু মরক মরক্তা সোসল মিদিয়াগী মায়কৈদগী নৎত্রগা ইরমদম কংলৈপাক্তা থোরকপদা হেক হেক থেংনৈ। শুম য়েংনবদা ইমান্নবা অয়াম্বনা ঐঙোন্দগী হেন্না হেক্তা অহল ওইশিনবা মাল্লি। মখোয়নসু ঐঙোন্দা নহা য়াম্না ওইনা লৈরি হায়না হেক্তা হায়বিরকই। মখোয়দা নত্তে, ঐহাক্কী টাইৱানগী মহৈরোয়শিং, শান্নরোয়শিং অমদি মালেমগী মফম তোঙান তোঙানবদা লৈরিবা মরুপ মপাংশিংনসু অদুম হায়বিরকই ঐহাক্কী চহীগা লৈরিবা শক্তমসিগা মান্নদে হায়না। নোংমা য়ু এস এগী LAX Airport তা (লোস এঞ্জেলেস) ইমিগ্রেসন ওফিসর অমনা য়ু এস এদা করি মরমগী লাকপনো হায়না ৱাহং পাউখুম খরা তৌনবদা ঐহাক্না ঐহাক নেচরেল বোদি বিল্ডর অমনি, চহী ৫৩শুরে হায়বদা মহাক্না থাজদদনা ঐহাক্কী পাসপোর্টতুদা মুন্না য়েংলগা ঙাইহাক লেপ্লগা “You are kidding!” হায়না থাজবা ঙমদনা য়েংলক্লগা “Don’t tell others, man!” হায়না হরাউনা নোক্লগা হায়রকই।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২। “চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা” পরেংশিংসি ‘চরুগী মী’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। “তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।” পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।” পরেং অনীসিনা ‘পনখৈদুগী ৱাংমদা’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা ‘মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই” হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**